# জুদো মশান্না অসি য়াম্না মরু ওইবা দিসিপ্লিন অমনি, অহেনবা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি: কিরেন রিজিজু



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা জুদো মশান্না অসি য়াম্না মরু ওইবা দিসিপ্লিন অমনি, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহেনবা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি হায়খ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইন্দিয়াগী জুদো টিম্না হঙ্গেরিগী বুদাপেষ্টতা থা অসিগী ২৩দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট শরুক য়ান্নবা চৎত্রিঙৈদা স্পোর্টস মিনিষ্টর অসিগা উন্নবা অমদা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন চহী অসিগী মার্চ থাদগী থল্লকখিবা অদুগী মতুং জুদো-কাশিংনা শরুক য়াগদবা অহানবা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টনি। টুর্নামেন্ট অসিনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসনগী খুদোংচাবা অমসু পীগদৌরিবনি।

জুদোকা মঙাগী টিম অসিদা মণিপুরদগী সুসিলাসু শরুক য়ারি। অতোপ্পা জুদোকাশিং অদুদি, তুলিকা মান, অভটার সিংহ, বিজয় য়াদব অমসুং জসলিন সিংহ সাইননি। লোয়ননা টিম অসিগী কোচকী থৌ পুগদৌরিবা অদুনা জিবন শর্ম্মানি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা জুদোকাশিং অদুনা বুদাপেষ্টকী কম্পিটিসন অদুদা অফবা রিজল্ট অমা পুরক্লবা থৌজাল নিখি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৪ অমসুং ২০২৮গী ওলিম্পিক গেমসতা মকোক থোংবা লৈবাকশিংগী মকোক মথং তাবগী মনুংদা ১০শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈননবা পান্দমগীদমক অচুম্বা লম্বেলদা চঙশিনবা ঙম্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ওলিম্পিক্তা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী অচৌবা খুদোংচাবা লৈরিবা জুদোকা জসলিননা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯গী মাংজৌননা থা খুদিংগী শান্নবা ফংলম্বা অদু থা ৭কী মতুংদা অমুক শান্নবা ফংগদৌরিবা অসিদা য়াম্না নুঙাইবা ফাওই হায়খি। স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অসিগুম্বা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অমা শরুক য়ান্নবগীদমক শিনবিরকপা অসিবু য়াম্না থাগৎনিঙাই ওই হায়খি।

কিরেন রিজিজুনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা জুদো মশান্না অসি হেন্না চাউখৎনবগীদমক মিনিষ্ট্রিনা জুদো ফেদরেসনগা তান্নদুনা ট্রেনিং ফেসিলিটি অমদি অফবা কোচশিং ফংনবা কুপ্না খন্নদুনা তুংগী ওইবা অফবা লম্বেল অমা শেল্লগনি হায়খি।

# সিখর ধৱনগী সেঞ্চুরিনা দিল্লি কেপিটেলসপু কিংস ইলেভেন পঞ্জাবনা থোইবদগী কনবা ঙমখিদ্রে

দুবাই, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী):
দিল্লি কেপিটেলসকী ওপনর সিখর ধৱননা লৌখিবা সেঞ্চুরি অদুনা টিম অদুবু কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী মখূৎতগী মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদ্রে।

দুবাইগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৩৮শুবা মেচ অদুগী টোস দিল্লি কেপিটেলসনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী পৃথিবী সো অমদি সিখর ধৱননা ইন্নিংস হৌদোরকখি। মরিশুবা ওভরদা পৃথিবী সো রন ৭খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎতা শান্নবা চঙলকখিবা সেরিজ অসিদা য়াম্না ফজবা স্কোর তৌবা ঙম্লিবা স্রিয়াস আয়র অমদি সিখর ধৱননা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ২৩দগী ৭৩ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। মখোয় অনীগী পার্টনরশিপ অদুদা স্রিয়াস আয়রগী মায়কৈদগী রন ১৪খক লৌরমখি। অদুগা অয়াম্বা শরুক্তি সিখর ধৱননা স্কোর তৌখিবনি।

আয়র ৯শুবা ওভরদা রন ১৪ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী টিম অদুগী মরিশুবা বেটচমেন পন্ট শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না আউট ওইদনা কিংস ইলেভেন পঞ্জাবকী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙম্লিবা সিখর ধৱনগা মখা তানা ইন্নিংস অদুগী অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অমা শেম্নবা হোৎনরকপদা পন্ট মশাগী রন ১৪দা আউট ওইখি।

মখা তাবা বেটচমেন ষ্টোইনিস অমসুং হেটমায়রসু মথংশিংনা রন ৯ অমসুং ১০ লৌরম্লগা আউট ওইখি। ইন্নিংস অদুগী ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ওপনর সিখর ধৱন আউট ওইদনা রন ১০৬ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৬১ মায়োক্লখিবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ১২ য়ৈরমখি।

কিংস ইলেভেন পঞ্জাবনা মায় পাক্লনবা রন ১৬৫গী টার্গেট লৈখি। মখোয়গী টিমসু হৌরকপদা ফীভম ফজবা ঙমখিদে। অহুমশুবা ওভরদা ওপনর কে এল রাহুল রন ১৫দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা খৃস গেলনা খোঙজেল য়াঙনা শুপ্নগী বোল ১৩দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরল্লগা রন ২৯দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং ওপনর অগরৱালসু রন ৫ লৌরল্লগা আউট ওইখিবদগী গ্লেন মেক্সৱেল অমসুং নিকোলাস পুরন শান্নবা চঙলকখি। মখোয় অনীনা ৪শুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৬৯ হাপচিন্দুনা স্কোর অদু ১২৫ য়ৌহল্লকখি। পুরন বোল ২৮দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরম্লগা আউট ওইখি। মেক্সৱেল রন ৩২দা আউট ওইখ্রবা মতুং দিপক হুদা অমসুং জেমস নিসমনা ওভর ১ ৱাংলিঙৈদা রন ১৬৭ লৌদুনা ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে।

হয়েং কোলকাটা নাইট রাইদর্স অমসুং রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর শান্নগনি।



# ৱোলবরহেম্টন ৱান্দরর্সনা লিদস য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা টেবলগী ৬শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

লন্দন, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৱোলবরহেম্টন ৱান্দরর্সনা লিদস য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টিম ২০না লম্বা তৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙরাংগী মেচ অদুগী মাংওইননা ৱোলবরহেম্টন মমাংগী রাউন্দ ৪ লোইশিল্লকপদা মেচ ২ থোইরগা ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা ১৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা, লিদস য়ুনাইটেদ মেচ ৪দা ২ মায় পাক্লগা ১ মায়থীবা অমসুং মেচ ১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরমখি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্নরবসু বোল পায়বগী চাংদি লিদস য়ুনাইটেদনা হেনখি। টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফ অদুদা ৱোলবরহেম্টন ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না বোল পুশিনবা ঙমখি। অদুবু পাঞ্জল ওইবা য়াবা ফজবা তাঞ্জাদি মশীং য়ামখিদে। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতদি ৱোলবরহেম্টনগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা হেন্না চুশিন্নবা মওংদা শান্নদুনা বোল পায়বগী চাং অমুক লিদস য়ুনাইটেদতগী মখোয়না হেনগৎলকখি। ৫৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় রোমেন সাইসনা য়াম্না ফজবা মওংদা ফংখিবা বোল অমা কাওশিন্দুনা লিদস য়ুনাইটেদকী গোল মনুংদা চঙখি। অদুবু মশান্না অসিগী অনৌবা সিষ্টম অমা ওইরিবা ভিদিও এসিষ্টেট রেফরি (ভিএ আর) শীজিন্নদুনা য়েংলকপদা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় পোদেন্স ওফসাইদ তারম্বদগী পাঞ্জল অদু লৌখিদে। এটেক চথবা হেঞ্জিল্লকখিবা ৱোলবরহেম্টন ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা মখোয়গী পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মেক্স কিলমানননা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট রাওল জিমিনেজনা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা লিদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী মেচকী মখা চথরকপদা অকনবা প্রেসর পীরকখি। মদুগী মনুংদা পেদ্রো হার্নান্দেজনা কাওশিনখিবা বোল অমা ৱোলবরহেম্টন ৱান্দরর্সকী দিফেন্দর অমদা খেৎখিদুনা পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে। শান্নবা অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা মেচ অদুগী য়ূম্বু ওইখিবা লিদস য়ুনাইটেদ ইক্বেলাইজর ফংদনা ০-১দা মায়থীখি। লীগ অসিগী ওইনা এবর্টননা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মাংজিল থারি। অদুবু এষ্টোন ভিলানা রাউন্দ ৪ শান্নবদা পোইন্ট ১২ ফংলগা মথংগী রাউন্দদা মায় পাক্লবদি মাংজিল থাগদৌরি।

# ‘কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ু ঈ এফ এগী শেলগী মনা হন্থরগনি’

নিওন, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী কন্টিনেন্ট অসিদা পাঙথোকপা মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী শেলগী মনা পীবগী চাং অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লাক্কদৌরিবা চহী ৫ অসিদা হন্থরগনি হায়না এজেন্সী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

মরুওইনা য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ অমদি মদুগী মথংদা লৈরিবা য়ুরোপা লীগকী শেলগী মনা অদু মমাংদা পীরম্বগী চাং অদুদগী লাক্কদৌরিবা চহী ৫ অসিদা হন্থগদৌরিবনি।

য়ু ঈ এফ এনা মেম্বর এসোসিএসনশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ৬৬৬.৪০ মাঙদুনা লৈরি। হায়রিবা য়াল্লবা শেনফম অসি টেলিভিজন অমসুং স্পোন্সরশিপতগী লাক্কদবা শেনফমনা অয়াম্বনি হায়রি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চেম্পিয়ন্স লীগকী মমাং সিজনগী শান্নখিবা নোকআউট ষ্টেজশিং অদু থেংথবনা মরম ওইরগা স্পোন্সর কম্পনিশিংদগী লাক্কদবা শেনফম অমদি টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টকী মায়কৈদগী পীরক্কদবা শেনফমশিং অদু হন্থখিবনি। মসিদসু নৎতনা মেচশিং অসি শান্নফম ওইরিবা ষ্টেদিয়মশিংদা ভাবোকশিং টিকেট কক্তুনা লাক্কদবা অদুসু লাইচৎ অসিনা অথিংবা থমখি। হান্না লেগ অনী শান্নরম্বা অদু সিঙ্গল লেগ পাঙথোক্তুনা নোকআউট ষ্টেজ অদু লোইশিনখি।

# লীল এফ সিনা লেন্স ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা মকোক থোংবা ঙমখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ১গী ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লীলনা লেন্সপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

লীল এফ সিনা য়ূম্বু ওইদুনা ক্লব অসিগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা পিয়র মোরোই ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুদা লীলনা হৌরকপদা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। টিম অসি হান্না রাউন্দ ৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৪ ফংলগা ৩শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। অমরোমদা লেন্সকী টিম মেচ ৬ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা লীলনা পাঞ্জল অমা মাংজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী মখাতাবা পাঞ্জল অমত্তা লৈখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা য়াম্না কুইদ্রিঙৈ শুপ্নগী মিনট ৩ চংশিল্লকপদা লীলগী শান্নরোয় জোনাথন বাম্বানা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লেন্সপু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। লেন্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখিবা অদু লীলগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা শান্নদুনা পাঞ্জল অমত্তা চলহনখিদে।

শান্নবগী মিনট ৬৯শুরকপদা লীলগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জোনাথন বম্বানা পীরকপা বোল অমদা অতোপ্পা টিম অদুগী শান্নরোয় জোনাথন ইকোনেনা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেচ অদু লীলনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী মাংওইননা হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা পোইন্ট ১৫ ফংলগা রেনসকা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা পোইন্ট টেবল মাংজিল থাদুনা লৈরম্বনি। পেরিল সেন্ট জর্মেননা শান্নখিবা মেচ ৭তা মেচ ৫ মায়পাক্লগা মেচ ২ মায়থীবা নংদুনা লৈখিবনি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী ৭৯শুবা মিনটতা জোনাথন বম্বানা অমুক হন্না ফংখিবা বোল অমা য়াম্না তাঞ্জা চানা টিমমেট য়ুসুপ য়াজিকিদা খাইদোরকপদা য়াজিকিনা অশোয়বা য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা লেন্সপু ৪-০দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল ০-৪দা শোথরবা লেন্সকী টিম মেচকী লেমহৌরিবা মিনট খরা অদুদা পাঞ্জল অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীরগা টেবলগী ৫শুবা পোজিসন্দগী হাইগৎপা ঙমখিদে। অদুগা মায়পাক্লবা লীলগী টিম পোইন্ট ১৭ ফংলগা মকোক্তা লৈখি।

# ফোর্ম পীশিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি

বিষ্ণুপুর, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):
ওল ইন্দিয়া কুং-ফু ফেদরেসন (এ আই কে এফ)না ইন্দিয়াদা কুং-ফু স্পোর্টস চাওখৎনবগী পান্দমদা ফেদরেসন অসিদা এফিলিএট তৌরবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২২গী ওইবা সন্দা অমদি তাওলু কুং-ফু স্পোর্টসকী ওইনা ফর্ষ্ট ওনলাইন নেসনল রেফরি এন্দ কোচ সেমিনার ২০২০ লাক্কদৌরিবা ওক্টোবর ৩১ অমদি নবেম্বর ১ দা পাঙথোক্লগনি।

কুমজা ২০২২দা অমুক হায়রিবা রেফরি সেমিনার অসি পাঙথোক্কদবা ওইবনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কুং-ফু স্পোর্টস এসোসিএসনশিংগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিশিংনা মখোয়-মখোয়গী ষ্টেটশিংদগী রেফরি ওইনিংবা মীওইশিং সন্দাগী ১০, তাওলুগী ১০ পূন্না মীওই ২০ খনগৎলগা মখোয়গী মিংশিং অদু লাক্কদৌরিবা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা গূগল লিঙ্ক https://forms.gle/oVNGToKMnbKKZp7F9 ওনলাইনদা মিং পীশিল্লক্কদবনি। কনাগুম্বা য়াওনিংবা, কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিনা ইকোনোমিকেল্লি শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক রিবেট পাল্লবা অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক এ আই কে এফকী প্রসিদেন্ট শিফু সী এল লামা (৯৬৫৭৩২১৯৮৬), ভাইস প্রসিদেন্ট এম জি দিলীপ (৯৪৪৬১১৬৬৩৬), জেনরেল সেক্রেটরি শিফু ডা. ঐচ রোমেন (৯৮৫৬১৫৪৩৫৫) নৎত্রগা নেসনল এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর ভিভেক দ্বিভেদি (৯৭০২৭১০০৯৯)দা কন্টেক্ট তৌরক্কদবনি হায়না এ আই কে এফকী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# নুমীৎ ৪নিগী ওইবা এ আই এফ এফনা শীনবা ওনলাইন ফিফা এম এ ফুটসাল রেফরি ইন্সট্রক্টর কোচ লোইশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা নুমীৎ ৪নিগী ওইবা ওনলাইন ফুটসাল রেফরি ইন্সট্রক্টর কোর্স লোইশিনখ্রে। কোর্স অদুদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২০দগী পূন্না ইন্সট্রক্টর ৩৬না শরুক য়াখি।

ওনলাইন কোর্স অদুদা ইরানদগী সায়েদ মুসাভিনা কোর্স ইন্সট্রক্টর ওইখি। মহাক্না ওনলাইনদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী ইন্সট্রক্টরশিং অদুগা ফুটসালগী চৎন-কাঙলোনশিংগী মতাংদা কুপ্না নৈনখি। লোয়ননা ফুটসাল অমদি ফুটবোল মশান্না অনীগী মরক্তা খেন্নবশিং অদুসুময়েক শেংনা খঙহনখি।

মশান্না অসিদা লৈরিবা ফাউলশিং, রেফরি অমদি অতোপ্পা মেচ ওফিসলশিংগী মরক্তা লৈনবা কোওর্দিনেসন অদুসু মরু ওইবা টোপিক অমা ওইনা লৌখৎতুনা ওনলাইন কোর্স অদুদা নৈনখি। ইন্সট্রক্টর মুসাভিনা ফোঙদোকখিবদা, ফুটবোল মেচ অমদা কন্ট্রোল তৌরিবা রেফরি অমদি ওফিসলশিংগী মরক্তা পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌরিবা অদুগা ফুটসাল মশান্নগা য়েংনবদা চাওনা খেন্নবা লৈ।



ফুটবোল মেচ অমদা সেন্ট্রেল রেফরিনা ফিল্ড মনুংদা থোক্লিবা থবক থৌরম পুম্নমক মহাক্না কন্ট্রোল তৌগনি অমদি ৱারেপসু লৌগনি। অদুবু এসিষ্টেন্ট রেফরি অনীগী মায়কৈদগী পীরকপা ৱাফমশিং অদুসু লৌশিনগনি। অমরোমদা ফুটসাল মশান্নদা লৈরিবা রেফরি মশীং অনীগী ওইবা অপূনবা ৱারেপ অদুনা মশান্না অদুদা লৈরকপা ফাউলশিং অদুগী ৱারেপ লৌগনি।

ফিফাগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ফুটসাল মেচ অমদা লৈরিবা প্রাইমারি রেফরি অদুনা অরোইবা ৱারেপ লৌরবসু অতোপ্পা রেফরি অদুসু মহাক্কী মায়কৈদগী ৱারেপ লৌবা ঙম্বগী খুদোংচাবা অদু পীরি। ফুটসাল মেচ শান্নবদা ফাউল তৌরকপগী মতাং অসি শান্নরোয় অনীখকনৎতনা মশীং য়ামখৎলকপনা রেফরি অদুনা লৌগদবা ৱারেপ অদু য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা অমা ওইরি।

এ আই এফ এফকী রেফরি ইন্সট্রক্টর নরিজ অহমদনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী ওনলাইন কোর্স অসিনা ফুটসাল মশান্না অসিগী হান্না খঙলুদবা কয়া অমা খঙবা ঙমখি হায়না এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

মশান্না অসিদা লম্বা তৌনরিবা টিমশিংগী মায়কৈদগী অপূনবা ফাউও মশীং অদু ৬শুরক্লবদি মিটর ১০গী ওইবা পেনাল্টি কিক্ অমা মখোয়গী মায়োক্লবা ক্লবতা এৱার্দ তৌবগী কাঙলোন লৈরি।

ওনলাইন কোর্স অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী ইন্সট্রক্টরশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনবা সেসনশিংদা শরুক য়াখি। হান্না খঙলমদবা পন্দুপ কয়া অমা ইরানগী সায়েদ মুসাভিগী মায়কৈদগী খঙবা ঙমখি হায়রি। লোয়ননা এ আই এফ এফকী পেনেল রেফরি ইন্সট্রক্টর নরিজ অহমদনা ফোঙদোরকপদা হন্দক্কী নুমীৎ ৪নিগী ওইবা কোর্স অসিনা মহাক্কী ওইবা লৌশিং কয়া অমা তানশিনবা ঙম্বতা নৎতনা ফুটসালগী চৎন-কাঙলোনশিং অদুসু কুপ্না খঙহৌবা ঙমখি হায়না শরুক য়ারিবশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ফুটসালগী লম্দা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা অনৌবা দিসিপ্লিন অমা ওইরবসু চৎন-কাঙলোনশিং অদু খঙহৌননবা ইন্সট্রক্টরশিং অদুগী মায়কৈদগী নীংথিনা শরুক য়াখি। কোর্স অদুদা পূন্না ইন্সট্রক্টর ৩৫ শরুক য়াবগী মনুংদা মণিপুরদগী ইরেংবম রবিচন্দ্রসু য়াওখি।

# ‘কুমজা ২০২১গী য়ু-২০ ফিফা ৱর্ল্ড কপ অকনবা হেল্থ প্রোটোকোল চৎনহনগনি’

জকর্টা, ওক্টোবর ২০ (এজেন্সী):
ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু অকনবা হেল্থ প্রোটোকোলশিং চৎনহনগনি হায়না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা ফোঙদোরকখ্রে।

কুমজা ২০২১গী মে ২০দগী জুন ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংননবা অকনবা হেল্থ প্রোটোকোল চৎনহনগনি হায়না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টনা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংদা ব্রোদকাষ্ট মীফম অমদা ফোঙদোকখি। ৱর্ল্ড কপ অদু ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং ওইরিবা জকর্টা সিটি য়াওনা অতোপ্পা সিটি ৫ খনগৎতুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

প্রসিদেন্ট ৱিদোদোনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ইন্দোনেসিয়াদা য়ু-২০ ফিফা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং অদুবু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা অকনবা হেল্থ প্রোটোকোলশিং অদু লৌখৎকদৌরিবনি হায়খি।

লৈবাক অদুগী চীফ দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ওইরিবা মোহারজির ইফেন্দিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা ৱর্ল্ড কপ অদুগী ওপনিং অমদি ক্লোজিং সেরেমোনিশিং লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা পাঙথোক্লোইদৌরি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অচৌবা চৈথেং অমা ফংলিবা ইন্দোনেসিয়াদা ঙরাং ফাওবদা কেস ৩,৬৫,২৪০ য়ৌখ্রবনি। মদুগী মনুংদা মীওই ১২,৬১৭ লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনখ্রে। ইন্দোনেসিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর জাইনুদিন অমালিনা ঙসি প্রসিদেন্ট য়াওনা ফমখিবা কেবিনেট মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা, ফিফা অমদি লৈবাক অদুগী লোকল ওথোরিটিনা ৱর্ল্ড কপ অদুদা ভাবোকশিং ষ্টেদিয়মদা চঙহল্লবসু কয়া য়াম্না চঙহনগদগে হায়বগী চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌবা লৈত্রি। মে অমসুং জুন থাদা য়ামদ্রবদা ষ্টেদিয়ম অদুগী কেপাসিটিগী শরুক তঙ্খায় অমা য়াহনবগী থাজবা থল্লি। ৱর্ল্ড কপ য়ূম্বু ওইবা অসি শান্নবখক নৎতনা লৈবাক অদুগী টুরিজমগী লম্দসু মীৎয়েং থমগদৌরিবনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# থাঙ-তাগী নুমীৎকা মরী লৈননা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):
‘থাঙ-তা ফোর হেল্থি নেসন’ হায়বা পান্দমগী মখাদা থাবুম অমা চথরিবা ‘থাঙ-তাগী নুমীৎ’ ঙসি মঙানি চনবা নুমীৎতা পাঙ্গে য়াংদোং য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (পি ৱাই ৱাই দি এ) অমদি মৈতৈ ইনাৎ শীন্দম শঙ, পাঙ্গে য়াংদোং অনীনা খূৎশম্নদুনা ইবুধৌ তাংজ লিলহা পাখঙবগী লাইবুংগী অকোয়বদা উ চারাশিং থাদুনা ‘থাঙ-তা ফোর হেল্থি নেসন’ হায়বা থিমদা থাঙ-তাগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটি পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফাল ইষ্টকী মীদিয়া কনভিনর লাইশ্রম সাইত্যমজিৎ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, উ-চারা থাবগী থৌরম অদুদা মৈতৈ ইনাৎ শীন্দম শঙ, পাঙ্গে য়াংদোংগী শীন্তাকপুরেল লাইশ্রম কুবেরনা, ইশা-ইউ ফনা, নাদ-য়েক্তনা লৈগে হায়রবদি ঙসি মালেম অসিগী হোংলক্লিবা অঙৈং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ শেংলক্তবা অমদি মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবশিং অসি ঐখোয় মীওইবনা ওইজবা খরা ফংনবগীদমক উ-ৱা কয়া য়াম্থৎপা, উমং কয়া পাক্তক্লনা কোকথোরকপা অমদি লম্লক্কী শা-উচেক কয়া হাৎপা, ফাবা অসিনচিংবশিং অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় পূন্না লেপমিন্নদুনা থিংমিন্নহৌবগী তঙাইফদবা লৈ। নোংম-নোংমগী অঙৈং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অমদি মালেম অসিদগী ঐখোয় মীওইবশিং নোংমদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা অসিদগী ঐখোয় পূন্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা অকোয়বগী খল কায়থরক্লিবা অসিবু থিংমিন্নহৌগদবনি। ঙসিগী খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোকহৌনবা চপ চাবা ফিরেপ লৌমিন্নহৌদুনা মালেম অসিবু কন্নবগীদমক উ-ৱা পাম্বী মখল মরাং কাইনা তঙাইফদনা লৈকাই-লৈকাইদগী হৌদুনা থামিন্নবা চঙই হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ‘থাঙ-তা দে’ ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিং, পি ৱাই ৱাই দি এগী মেম্বরশিং, এম ঈ এস এসকী মহৈরোয়শিং অমদি কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট এন অজিৎকুমার মঙাংসু শরুক য়াখি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ (ঐচ এন এস):
ফুটবোল রেফরিজ ৱ্যেফ্যের কম্মিটি (এফ আর দব্লিয়ু সী)গী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না হান্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী রেফরি অমসু ওইরম্বা থাংজম সৈত্যজিৎনা মতম চাদনা লৈখিদবা অদুগী মতাংদা কম্মিটি অসিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

এফ আর দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী রেফরি থাংজম সৈত্যজিৎনা লৈখিদবা অসিনা মণিপুরদা ফুটবোল মশান্নদা অচুম্বা কাঙলোন থম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না চেরোল অদুনা মখা তাখি।




HL-B/6409/27th Sept. to 26th Oct.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com